ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ
ꯅꯤꯡꯊꯧꯀꯥꯕꯥ, ꯐꯦꯕ꯭ꯔꯨꯋꯥꯔꯤ ꯱꯸, ꯲꯰꯱꯹, ꯏꯝꯐꯥꯜ
꯴꯲ ꯁꯨꯕꯥ ꯆꯍꯤ, ꯳꯲꯳ꯁꯨꯕꯥ ꯃꯁꯤꯡ
হুইয়েন লানপাউ
নিংথৌকাবা, ফেব্রুৱারী ১৮, ২০১৯, ইম্ফাল
৪২ শুবা চহী, ৩২৩শুবা মশীং

সী আর পি এফ পর্সনেল ৪৪ হাৎখিবা

ইন্দিয়া অমদি পাকিস্টান অয়ৌবী থাক্তা মুক্নরকপা

হৌখিবা শগোলশেন নুমিৎতা লালহৌবশিংনা জম্মু এন্দ কাশ্মীরগী অৱন্তিপোরাদা বোম পোকখায়হন্দুনা চত্থরকখিবা এটেকতা সেন্ট্রেল রিজর্ভ পুলিস ফোর্স (সী আর পি এফ)কী পর্সনেল ৪৪ শিখি। পাকিস্টানদা বেজ তৌবা জাইস-ঈ-মহমদ (জে ঈ এম)না ক্লেম তৌরকখ্রবা থৌদোক অদুগী মতুং তারকপদা ওল পোলিটিকেল পার্টিগী মীফম পাঙথোক্তুনা টেররিজম মায়োক্নবা ৱারেপ লৌখি। লৈঙাক পায়রিবা ভারতিয়া জনতা পার্টি (বি জে পি) অমসুং মরু ওইবা ওপোজিসন কোংগ্রেস য়াওনা পাঙথোকখিবা পোলিটিকেল পার্টি পূম্নমক্কী মীফমনা পাকিস্টানগী মমিংমক্তি পনবা তৌদনা থৌদোক অদুবু অকনবা মওংদা য়ানিংদবা ফোঙদোকখি। য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্টর রাজনাথ সিংহনা কৌখিবা মীফমদা লৌখিবা ৱারেপনা হায়, "হৌখিবা চহী ৩০ রোম ইন্দিয়ানা ঙমখে ৱাংমদগী চৎথরকপা টেররিজমগী থৌওংশিং মায়োক্নদুনা লাক্লি। সিক্যুরিটি ফোর্সেসনা টেররিজম মায়োক্নবদা লৈবাক মীয়াম্না মপূং ফানা শৌগৎপগা লোয়ননা ইন্দিয়াগী অপূনবা শক্তম ঙাক্লুবগী মতাংদসু মীফম অদুনা ৱারেপ লৌখি। পার্টিগী খেন্নবা ৱাখল্লোন পূম্নমক থাদোক্লগা মীফম অদুদা শরুক য়াখিবশিংদি কোংগ্রেসকী গুলাম নবি অজাদ, অনন্দ শর্ম্মা অমসুং জ্যোতিরাদিত্যা সিন্দিয়া; ত্রিনামুল কোংগ্রেসকী সুদিপ বন্দোপধ্যায় অমসুং দেরেক ও'ব্রেন; সী পি আইগী দি রাজা; শিব সেনাগী সঞ্জয় রাওট; তেলঙ্গনা রাষ্ট্র সম্মিটিগী জিতেন্দ্র রেদি; নেসনল কনফরেন্সকী ফরুক অব্দুলা; লোক জন শক্তিগী রাম বিলাস পাসৱন; অকালি দলগী নরেজ গুজরাল; আর এল এস পিগী উপেন্দ্র কুশৱাহা অমসুং জয় প্রকাশ নরায়ন য়াদবনচিংবনি। প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা হীরম অসিগী মতাংদা অকনবা ফিরেপ লৌরদুনা হায়খি, সী আর পি এফ পর্সনেলশিং হাৎখিবদা চেন্নবা মীওই পূম্নমক মতীক চাবা চৈরাক ফংহনগনি। টেররিজম শৌগৎপা পাকিস্টানবু ইন্টরনেসনল কম্যুনিটিদগী নাইতোম ইন্থোক্তুনা থম্নবা থৌরাং কয়াসু লৌখৎলগনি হায়না মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

পুলৱামা দিষ্ট্রিক্টকী অৱন্তিপোরাদা পোকখায়হন্নবা মচাক থন্না য়াওবা কার থৌরল্লগা সী আর পি এফকী কনভোয়দা এটেক চৎথদুনা মশা মথনতা শিজখিবদু কাশ্মীরগী লেথিপোরা খুঙ্গংদগী অদিল অহমদ দার কৌবা শুপ্নগী চহী ২০ খক্তা ঙায়রিবা মীওই অমনি হায়বা খঙলে। ঘুলাম হসন দার কৌবা লৌমী অমগী মচানি। কুমজা ২০১৬ তা অদিল অহমদ দারনা মমান্নবা খরগা লোয়ননা স্কুলদগী হল্লকপদা সিক্যুরিটি পর্সনেলশিংনা লমখাঙদা তমথীনা ফূবীখিবদগী খূৎলায় পায়দুনা লালহৌবা মীশক অমা ওইরকখিবনি হায়না ইমুং-মনুংনা ফোঙদোক্লি। ইমুং-মনুংনা হায়খি, নীংথিনা ৱারী শানদুনা লালহৌবগী ৱাথোক লোইশিন্নবা হোৎনবগী মহুৎতা লৈঙাক পায়রিবা পোলিটিসিয়নশিংনা সিক্যুরিটি ফোর্স থাজিন্দুনা মীচম-মীয়াম ওৎ-নৈবদগী ইচম-চম্না পূন্সি হিংজরবা মীওই কয়া নমদুনা লালহৌবা ওইহল্লকপনি। চৈরকসিদা ইন্দিয়ানা খূৎলায় পায়বা লালহৌবশিংবু টেররিষ্টনি হায়না কন্দেম তৌজরবসু পাকিস্টান্নদি অদিল অহমদ দারগুম্বা সুইসাইদ এটেক্করশিংবু থৌনা ফবা নীংতম লান্মীনি হায়না থাগৎপা ফোঙদোক্লি। পাকিস্টানদা নুমিৎ খূদিংগী ফোঙবা পাউচে "দি নেসন"গী রিপোর্টনা হায়, "মীওৎ-মীনৈগী চৈথেং ফংলিবা মীয়াম্বু মনীং-মখা তমহন্নবগী পান্দমদা থৌনা ফবা অদিল অহমদ দারনা লৈবাক্কীদমক থৱায় থাখিবনি। পাকিস্টানদা চঙজফম পীদুনা থল্লি হায়রিবা জাইস-ঈ-মহমদনা মমাঙদসু তমথীবা মখলগী এটেক কয়া চৎথরকপা লৈখ্রে। ইন্দিয়াগী পার্লিয়ামেন্ট, পথানকোট এয়রবেজ অমদি কাশ্মীরগী য়ুরি টাওন মনাক্তা লৈবা আর্মি বেজ অমদসু এটেক চৎথরকখি। কুমজা ২০১৬ তা টেররিষ্টশিংনা কাশ্মীরগী য়ুরি টাওন মনাক্তা লৈবা আর্মিগী বেজদা এটেক চৎথরকখ্রবা মতুংদা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা লুচিংবা লৈঙাক্লা পাকিস্টানগী ঙমখৈ লানশিল্লগা সর্জিকেল ষ্ট্রাইক চৎথহনখি। পাকিস্টান ওক্যুপাইদ কাশ্মীর (পি ও কে) দা লৈবা টেররিষ্টশিংগী মরু ওইবা কেম্পতা ইন্দিয়ন আর্মিগী অখন্নবা কম্মান্দো টিমনা চৎথখিবা সর্জিকেল ষ্ট্রাইকনা মরম ওইরগা য়ূমলোন্নবা লৈবাক অনী লাল শোক্নবা য়াবগী ফীভম ফাওবা লাকখিবনি। হৌজিক অমুক অৱন্তিপোরাগী থৌদোক অদুনা মরম ওইরগা য়ূমলোন্নবা লৈবাক অনী চাওনা উংখৎনরি। কনানা চুন্নিবনো অমসুং কনানা লাল্লিবনো খঙদবা মওংদা নাকল অনী অমনা অমদা মরাল শীনবগী মহুৎতা য়েৎনরিবা কাশ্মীরগী মতাংদা অরোইবা ৱারোইশিন অমা পুরকপা নৎত্রগদি অসিগুম্বা থৌদোকশিং তোয়না থোরক্লোই হায়নিংঙাই লৈতে।

••• এডিটরদা থারকপা চিঠি •••

বোসেম অমসুং কোসেম পরিক্ষা ২০১৯গীদমক চেকশিন থৌরাং খরদং

ইকাই খুম্নজরবা এডিটর,

চহী খূদিংগী মহৈরোয়শিংনা বোসেম অমসুং কোসেমগী পরিক্ষা থাবা হাথু-হাথু চৎনরিঙৈ মতমদা মরু ওইনা ইম্ফাল ময়োল মনুংদা ইখঙ খঙহৌদনা ট্রাফিক জাম হেক হেক থোকপা য়াওবদগী পরিক্ষা সেন্টরশিংদা মতম চানা খরা ঙল্লপ য়ৌহৌবা ঙমদবা য়াওনৈ। মসিনা মহৈরোয়শিংদা ইপা-পাখৎহনবা অমসুং পূক্নিং ৱাখল লৈতাহন্দবা থোকহল্লি। ইচা হাক্তক্তসু অসিগুম্বা ট্রাফিক্কী ফীভম্না য়াদবদগী ট্রাফিক পুলিসকা ইন্নকাওনদুনা ট্রাফিক্কী রুলশিং থুগায়দুনা চৎপা তাখি। অসুম্না চৎলবা ফাওবদা এগজাম সেন্টর য়ৌবদা নোংমদি মিনট ৫ রোম থেংখি। তমজরিবা অসিনা এগজাম মনুংদা লম্বী লমদাং খংচিন-চিনবদগী এগজাম সেন্টর মতম চানা য়ৌবা ঙমহৌদবগী খুদোংচাদবা অমনি। পরিক্ষা ময়াদা নৎত্রগা মনুংদা মফম মরাং খঙহৌদনা নুমিদাংদা ইলেক্ট্রিক লাইট খংমুৎ মুৎখিদুনা ঙাইহাক্কী নৎত্রগা পুং খরগী নৎত্রগা অহিং অদুমা চুপ্নবু ওইরবসু ইলেক্ট্রিক লাক্তবা য়াওই। অদুনা এগজাম মনুংদা ইলেক্ট্রিক চাং নাইনা লাক্তবসিসু মহৈরোয়শিংগী য়াম্না খুদোংচাদবা অনীশুবনি। অদুদগী লৈকায়দা করিদা মাইক্রোফোন/লাউদ স্পিকরনচিংবা শীজিন্নদুনা নুমিদাংৱাইরমদগী ফনা থেংলবা নুমিদাংগী মতম ফাওবা অরৈবা থৌনা-লীংজেল ফুদোক্তুনা হাওসিগী 'য়োর লকি নম্বর' হায়দুনা লাওখৎলকপগী অয়াকপা, অহৌবা খোন্থাংনা হঞ্জিন-হঞ্জিন লাওশিন্দুনা অকোয়বদা লৈরিবা মীচম-মীয়াম, অশোন-অনাশিং অমসুং মহৈরোয়শিংগী পূক্নিং ৱাখলদা খোয়রাং খোয়শাওনহন্দুনা অৱাবদা অৱাবা হাপচিনবা হায়বদু থোকহল্লি। মসিসু খ্বাই পূম্নমক্কী ওইনা অহুমশুবা খুদোংচাদবা অমনি। মমাঙঙৈদা ঐখোয়না অঙাং ওইরিঙৈদা লুহোংগদৌরিবা নুপা নৎত্রগা নুপী অদুগী ময়ূমদা লুহোংগদবা নুমিৎকী অয়ূক ঙন্তাদগী মাইক পান্দুনা ঈশৈ হৌনা থাবা খোংবা চৎনরম্মী। অদুবু মতমগা চুনরক্তবদগী হৌজিক্তি পূম্নমক অদু পুমতোক তোক্লখ্রে। মরম অসিনা লৈবাক্কী ওইবা অচৌবা ইস্যুশিং নৎত্রগা করিগুম্বা মরুওইবা থবক থৌরমশিংদা মাইক্রোফোন নৎত্রগা লাউদ স্পিকরনচিংবা তঙাইফদনা শীজিন্নরবসু অতৈ ৱারেম-থৌরম মানবা মওংদা পংশি-শীজিন্নবগী হৈনবী চৎনবী অসি লাইবক থীরবা খুন্নাই অসিগী তুংলমচৎ য়েংবিরগা থাদোক্লহৌবনা ফরগনি।

হাওসি মশান্না অসিগী মরমদা খরদং পল্লবদা, অসিগুম্বা মণিপুরদা য়াম্না পাম্না শান্নরিবা মশান্না অসিনা নোইজ পোল্যুসন থোকহনবা, পৈশা থাদোক্নবা, পুং কয়াগী মতম মাঙহল্লিবা, পূক্নিং ৱাখলদা টেন্সন লৈহল্লিবা, খৎন-চৈনবা থোক্লিংঙাই ওইবা, শোখদুনা লৈরিবা খুন্নাই অসিবু অমুকসু লান্না লমজিংলিবা লগাও/জ্বার মখল অমনি হায়বদা থোইনবু লাল্লরোই। হংজনীংলিবদি মসিবু তশেংনা পুকচেল তিংনা খুন্নাইগী চাওখৎ-থৌরাংদা, অৱা-অনা, লৈত-লায়রশিংদা, মহৈরোয়শিংদা, শান্নরোয়শিংদা তুং কোয়না, ৱাহন্থোক লৈনা মতেং পাংনবা অফবা থবক নৎত্রগা মেকানিজম অমরা? নৎত্রগা মীতৈ/মৈতৈ পাউরৌ ওইরিবা 'অপংবগী মরল অশিংবনা চাই' হায়বা অসিগী চপ চাবা ৱাহন্থোক্কী খুদম ওইরিব্রা?

অরোইবদা, শুপচিন্না হায়রবদা মাইক্রোফোন/লাউদ স্পিকর অসি মফম, মতম, মরম অমসুং মওং চানা লিক্না শীজিন্নবগী অপান্থা-অনীংবা ফোঙদোকচবনি। লোয়ন-লোয়ননা মহৈরোয়শিংগী লাক্লিবা পরিক্ষাগী খনবিরগা লৈঙাক্কী মরী লৈনবশিংনা পঞ্জখ্রিবা খুদোংচাদবশিং অদু য়ারিবমখৈ থোকহন্দনবা মতিক চাবা থৌরাং তৌবিহৌ হায়দুনা নোল্লুক্না নীংশিংজরিবনি।

অদোমগী - ডো. এন জি মঙ্গি
সেগা রোদ, ইম্ফাল ৱেষ্ট

লৌমীশিংগী কাখল

লৌউ-শিংউগী ৱাহং পাউখুম

পাউখুম পীবিরিবা ঃ

ডা. এম থোইথোই সিংহ

১. আলু মনা মতাইদগী কংশিল্লকপা অমসুং মনাগী মখোক য়াওনা কংশিনবা মফম কয়া অমা লৈরে। লায়ওংসি অয়াম্বা পাম্বীদা থেংনৈ। লায়না অসি ফনবা খরা হায়বীয়ু।

- লাইশ্রম মঙ্গি সিংহ
হিয়াংলম

⇨ লেট ব্লাইট ওইরম্মি খল্লি। আর্লি ব্লাইট য়াওরবসু লায়না অনীমক ফনবা **Metalaxyl** গা **Mancozeb** কা পূনবা হীদাক গ্রাম ৩০ ঈশিং লিটর ১৫ খুদিংদা য়াল্লগা কাপ্পীয়ু। নুমিৎ নিপান্নিগী মতুংদা অনীরক শুবা ওইনা অমুক কাপ্লবদি লায়নাসি শোয়দনা ফগনি।

২. অঙনবা মতমদা পুথোক্নবা থবী থাবা হৌরে। মনা মরি-মঙা শুবসু য়াওরে। গ্রীন হাওস মনুংদদি থবী পাম্বীশিংদু থবী তম্বা হৌরে। অদুবু মনাশিংদা খুজিন মমায়মুক পাক্লা নাপু মচু চংলপ তৌবা দাগশিং য়াওরে। দাগশিং খরা হেন্না য়াওবা মনাশিংদি থুনা কংশিল্লকই। মসিবু করি করম তৌরগা ফগদগে?

- এম মনিহার সিংহ

তাংজেং

⇨ **Azoxytrobin** মিলিলিটর ১৫ ঈশিং লিটর ১৫ খুদিংদা য়াল্লগা মনাশিং চোৎনবা কাপসি। অকংবা মনাশিং হান্না লৌথোক্লগা হীদাক কোন্না কাপসি। নুমিৎ ১০নি লৈরগা চিংখহৌবা মফমশিংদা অমুক হন্না কাপসি।

৩. মমাঙ চহীদা তানখিবা পানশিংদা মনুং হুৎপী তীলশিং য়াম্না য়াওখি। কুমসিসু য়াওগদ্রা চিংনৈ। মদু থোক্তনবা করি করি তৌবা তাবগে খঙজনীংই।

- মাইবম তোম্বা সিংহ
মেকোলা

⇨ থাফমদু খোইবা লোইশিল্লকপা অরোইবা লৌওনগী হেক মমাঙদা **Fenvelerate 0.4 DP** কিলো তরেৎ শঙম অমা চাউবা লৌফমদা চাইথোকপীয়ু। অদুগা খোইজিনবীয়ু। মতুংদা চুরি চিংখৎতুনা শেম্বীয়ু। মসিনা লৈবাক মনুংদা লৈবা তীলশিং মপূং ফানা হাৎখ্রগনি।

৪. ঐগী হৈনৌসি মপাল শাবা হৌরক্লে। হৌখিবা চহীদদি তীল য়াম্না তাখি। ঙল্লিঙৈ মতমদা হীদাক কাপকদবনি হায়না তাজে। মসিবু করি হীদাক কাপকদবনো।

- হিজম ইবোম্না
তেরা খোঙশাংবী

⇨ মহৈ তম্বা হৌরকপা মতমদা কাপসি। **Ampligo (Chlorantrani liprole + Lamdacyhalothrin)** মিলিলিটর তরুক ঈশিং লিটর ১৫ খুদিংদা য়াল্লগা কাপথোকসি। নুমিৎ ১৫নি লৈরগা অনীরক শুবা ওইনা অমুক হন্না কাপথোক্লবদি তীল য়াওররোই।

৫. অথেংবদা পুথোক্নবা কোবী থমচেৎ লিশীং অমমুক থারি। লৈ লাকপা খরা খরা হৌবসু য়াওরে। মনাশিংদা মহুৎ মহুৎ তৌই। ফৌজুম মানবা তীল ময়াম অমসু পাই। হৌখিবা চহীদদি **Chlorantraniliprole** য়াওবা হীদাকশিং কাপখি। য়াম্না লায়না ফখি। অদুবু হীদাকসি তাঙই খরা হেন্না হোঙবা তীলসিবু ফহনবা ঙম্বা কোবীদসু শোক্তবা হীদাক খঙজনীংই।

- এম সুবোল
লাঙথেল

⇨ হান্না শীজিন্নবীবা হীদাক্তু চুম্মী। খরা হেন্না হোঙবা হীদাক **Cypermethrin 10%** মিলিলিটর ২০ ঈশিং লিটর ১৫ খুদিংদা য়াল্লগা **Sticker** মিলিলিটর মঙা য়ানশিনবীরগা কাপথোকপীবা য়াই।

৬. ঐগী য়ূমদা মখল কয়াগী পাম্বীশিং থাই। অয়াম্বা পাম্বীগী মনা মখাদা লশিং মফোল মানবা, কোকফাইসু মানবা অঙৌবা ময়াম পকই। নুংশিৎনা হুম্বদসু কোইপাই পাই। মসিনরা করিননো খঙদে পাম্বীশিংদু য়েংবদা ইফ ফজদে। করি করম তৌরগা মসিবু ফহনবা য়াগদগে।

- কোংখাম সুরেস
শিংজমৈ

⇨ **Spreyer** মচা অমদা **Dichloruos 76%** মিলিলিটর অমা ঈশিং লিটর অমমখায়দা হাপ্পগা মনাগী মখা চোৎনবা কাপসি। নুমিৎ মঙানিগী মতুংদা অমুক হন্না তীল লৈবা মফমশিংখক্তা খল্লগা কাপসি।

এগ্রিকলচরেল সেক্সন - হুইয়েন লানপাউ
[ফার্মরশিংনা লৌউ-শিংউগা মরী লৈননা,
ঙা, শা-ষণ য়োকপনচিংবগা মরী লৈনবা ৱাহংশিং
চিঠি ইরগা থাবীরকউ।]
চিঠি থারকফম
এগ্রিকলচরেল সেক্সন - হুইয়েন লানপাউ
সেগা রোদ থৌদা ভাবোক লৈকায় ইম্ফাল, ৭৯৫০০১
নৎত্রগা
অদোম্না লৌউ শিংউবা, শা-ষণগা মরী লৈনবশিংগী মতাংদা খঙবিনিংবা লৈরবদি ঈ-মেল **hueiyenagri@gmail.com** দা চিঠি থাবিরক্তুনা হংবিরকপা য়াগনি।

শেন্দোং লৈনা চুজাক থানবা হোৎনবা য়ারে

এস সুমঙ্গল

চুজাক থাবগী খ্বাইদগী চানবা মতমদি খারিফ (জুন-জুলাই) মতমনি। অদুবু থাবগী অতোপ্পা মতম খরসু থম্বা তারবদি নিংথম চুজাক (ওক্টোবর-নবেম্বর) অমদি য়েন্নিংথা/বসন্ত/স্প্রিং চুজাক (ফেব্রুৱারি-মার্চ) পনবা য়াই। নিংথম চুজাক থাবগী চপ চাবা মতম ওইশিল্লক্লে হায়বা য়াই। মরম অদুনা কনাগুম্বগী থাফম চাবা মফম লৈরবদি শেন্দোং লৈনা চুজাক থানবা হোৎনবা য়ারে।

মালেমগী ওইনা চুজাক অসি ঐখোয় মীওইবা অমদি শা-ষণগী খ্বাইদগী মরু ওইবা চিঞ্জাকনি হায়না লৌনৈ। অতোপ্পা মওংদা চুজাক্কী চন্নফমদি য়াম্না লৈ। অদুবু মণিপুরগী ওইনদি চীংগী লম খরগা তম্পাক্কী লম খরগা নত্তনা চুজাক থাফম য়াম্নদি লৈতে। অদুম ওইনমক কনাগুম্বা থৱায় য়াওবা ইচিন ইনাওশিংনা মসি শেন্দোং য়াম্না লৈনা থাবদি য়াই।

নিংথম চুজাক থাবা ঃ নিংথম চুজাক থাবগী খ্বাইগী চানবা মতমদি মথক্তা থমজখিবা ওক্টোবর-নবেম্বর মতমসিনি। নিংথম মতম ওইবনা উন্দগী ঙাকথোক্লুবা উপাই থিবা তাই। মরমদি দিসেম্বর-জন্যুৱারী মতমদা য়াম্না ঈংবা মরম্না চুজাক চাউবা খরা থিল্লি, খরা চেকশিনবা মথৌ তাই। ফেব্রুৱারী য়ৌরকপদা খরা শাগৎলকপগা লোয়ননা ঈশিং অমদি হার শীজিন্নদুনা শাহৌ ফগৎহন্দুনা ফেব্রুৱারী-মার্চতা থাবা চুজাক্তগী খরা ঙন্না লোক্তুনা অঙনবা অতেকপা চুজাক ওইনা য়োনবদা শেন্দোং হেন্না ফংবা ঙমগনি।

লৈবাক লৈহাও ঃ চুজাক অয়াম্বা লৈবাক লৈহাওদা হৌবা ঙম্মী অদুবু ঈশিং তুংলোইদবা, খরা তোংতক তৌবা ফোলি তাবা মফম্না খ্বাইদগী হেন্না পক্লে। অশিন অয়াক্কী চাংদি কা হেন্নসু শিন্দবা, কা হেন্নসু য়াক্তবা পি ঐচ ৫.৫-৭.৫ ফাওবগী মনুংদা অদুমক নিংথিনা হৌবা ঙম্মী।

থাফম শেম্বা অমসুং থাবা ঃ ফোলি তাবা মফমদদি লৌওন অনী-অহুম খোইরগা অদুমক য়াবা থেংনৈ অদুবু লৈতান লম ওইরবদি খরা মমুৎ তানা খোইবা চঙই। অসুম্না খোইরবা লৌফমদা খাৱাং ওইনা ফুট অনী-অনী পাকপা ফৈদোমশিং শেম্বীগনি। ফৈদোমগী মরক্তা ফুট অমগী চুরি/ঈরম শেম্বীগনি। ফৈদোমগী মমাঙ থংবা নাকচেপ্তা ফৈদোমগা ঈরোইননা চাওরাক্না ইঞ্চি ৮-১০ লাপননা কাংখুল অমদা চুজাক মরু অনী-অনী থাবিগনি। হায়রিবা মওং অসিদা থাবদা চুজাক পরেংগা ফুট অহুম লাপ্নরগনি। ফৈদোমগীনা মথক্তা, চুজাক পরেং অনীগীনা কারক্তা হায়বদি ফৈদোম মথক্তা হৱাই (অনেম্বা মখল) নৎত্রগা কোলি হৱাই পরেং অনী থাবা য়াই। মঙ্গন/কোলিহৱাই পরেং অনীগী অরাপ্পসি ফুট অমা মখায় ওইহনসি, পরেংগী মনুংদা মরু অমগা অমগগী অরপ্পনা ফুটখায়গী চাং থমসি। চুজাক হৌরবা মতুংদা কাংখুল অমদা অনী-অনী হৌরল্লবদি খরা শোনবা পাম্বী অদু লৌথোক্তুনা শা-ষণগী নৎত্রগা ঙাগী মচিঞ্জাক ওইনা শীজিন্নবা য়াই।

চুজাক অমদি মঙ্গন মখল ঃ হায়ব্রিদ চুজাক পি এ সি ৭৪০, ক্বালিটি প্রোটিন মেজ শক্তিমান - ১ হায়রিবা মখলশিং অসি মণিপুরদা চানরবা মখল ঙাক্তনি। মখোয় খুদিংমক নিংথিনা থারবদি চুজাক অনী-অনী পানবা ঙম্মী। মণিপুরদা চানবা মঙ্গন মখলদি - অরকেল, গ্রীন পর্ল, আজাদ নৌনা চাংয়েং তৌবদা য়াম্না ঙন্না পানবা মহাওসু মণিপুরগী মখয়াৎ মুবীগা হায়ফেৎ মান্নরপ লৈবা পুসা শ্রী পানবা য়াই। কোলি হৱাই মখলদা স্নেহা, অন্নপুর্না পনবা য়াই। হায়রিবা হৱাই মখলশিং অসি মতম তেনবা চুজাক্তগী ঙন্না লোকখ্রগদবা হৱাই মখলশিংনি।

মরূগী চাং ঃ হায়ব্রিদ অমদি ক্বালিটি প্রোটিন মেজ - শঙমদা কিলো ৫-৬ কম্পোজিৎকীদমক কিলো ৪-৫ চঙগনি। হৱাই মঙ্গলগীদমক শঙম অমদা মরূ কিলো ১৫-২০ ফাওবা চঙগনি। অসুম্না থাবদা শঙম অমা পাক চাউবা লৌফমদা চুজাক পাম্বী ১৫০০০-১৮০০০ ফাওবা চনগনি।

হারগী চাং ঃ হার হাপ্পগী মতম শোয়রবদি হার হাপ্পগী কান্নবদগী মাঙবনা হেনগনি চেকশিনসি। অপূনবা য়ুরিয়াগী শরুক অহুম থোকপগী অমা, এস এস পিগী অপূনবা, পোটাসকী অপূনবা অমসুং অপূনবা জিঙ্ক সলফেট য়ানশিন্নরগা মরূ থাগদবা পরেংগী নাকল ওইরপ্না সে: মি: ৪-৫ চথোক্লগা অমদি সে: মি: ৪-৫ মরূদগী লুথনা লৈবাক হন্দোক্লগা পরেংদা হাপহৌসি। অসুম্না হাপ্পসিনা হার চাইবগী কান্নবা য়াম্না হেল্লি। অদুবু অসুম্না পরেংদা চাইবগী খুদোংচাবা লৈত্রবদি অরোইবা খোইবদা অহানবগী দোজ অদু লৈবাক্তা মমুৎ তানা খোইজিনবীহৌগনি। হৌরবা চুজাকনা খুকউমুক ৱাংলকপা হায়বদি থাবদগী নুমিৎ ৩৫-৪০নি শুরকপা মতমদা লেমহৌরিবা য়ুরিয়াগী তঙ্খাই অমা মখোং খোপচিন্দ্রিঙৈ মাঙওইননা পাম্বীগী নাকলদা পরেং শানা চাইরবা মতুংদা মখোং খোপচিনবীগনি। মখোং খোপচিনবা মতমদা মরাদা হারনা থেংদনবা য়াম্না চেকশিনবীগনি। অরোইবা ওইনা লেমহৌরিবা য়ুরিয়াগী শরুক অদু মপান শাবা হৌরকপা মতমদা চাইবীগনি।

হাবেংবা ঃ পাম্বী অমা ফনবা হোৎনবা মতমদা নাপী হৌহন্দবা হায়বসি য়াম্নমক মরূ ওই। নাপীগা থারিবা পাম্বীগা মতম পূম্নমক্তা কম্পিটিসন তৌই হায়বসি কাউদবা ফৈ। চুজাক মরূ থারবা মতুংদা সিমাজিন নৎত্রগা এট্রাজিন গ্রাম ২৫০ ঈশিং লিটর ৫০০ দা য়াল্লগা লৈমাই চোৎনবা কাপথোকসি। মসিগা লোয়ননা থারবা মতুং নুমিৎ ৩০-৪০নি শুরকপা মতমদা অমুক খূৎনা হাবেংসি।

ঈশিং চনবা ঃ চুজাক পাম্বীদি ঈশিং ৱাৎপা অমসুং হেনবা অনীমক্তা ফত্তে। ঈশিং ৱাৎপা মতমদা চুজাক পাম্বী শাহৌ ফনা হৌবা ঙল্লোই লোয়ননা চাথোক শোয়দনা হন্তগনি। ঈশিং তুংশিল্লগনা চুজাক পাম্বী শিগনি। চুজাক পাম্বীদি পুং ৬ ফানা ঈশিং থুমজিনবা মতমদা শিগল্লি। মরম অদুনা ঈশিং চিথোক চিশিন য়াবা ঈরম শেম্বীবা কাউদবা ফৈ লোয়ননা ফৈদোম খরা ৱাংনা তাখৎতবা য়াদে। নোং চুদবা মতমদা খুকউমুক ৱাংলকপা মতম অমদি মপান শারকপা মতমদা ঈশিং চনবিবা য়াম্নমক কান্নগনি।

লায়না তীলনা ঃ চুজাক পাম্বীদা ময়োন চিকপি তীল তাগল্লি। মসিগীদমক ফুরাদান থ্রিজি হায়রিবা হীদাক অসি মরূ ৪-৫ চুজাক্কী ময়োন্দা থাদবিবা ফৈ। অতৈ লায়না তারকপা মতমদা অখঙ-অহৈ মতম চানা তানদুনা কলহৌনবা হোৎনসি।

হৱাই মঙ্গনগীদমক্তি য়ুরিয়া হার হাপত্রবসু য়াই অদুবু সুপর শরুক ৯গা পোটাস শরুক ৩গা য়ান্নরগা খুদোল মঙানা পায়বদা য়াওরকপা চাং অদু মরূগী নাকন্দা মরূদগী খরা লুথনা হাপসি।

চুজাক অমসুং হৱাই মঙ্গন অনী পূন্না থামিন্নবনা হৱাই মঙ্গন্দা তাগদবা লায়না তীলনা কয়া মরূ ওইনা ৱাহিক অমদি মহী চুপ্পা অতৈ তীলশিংদগী ঙাকথোকপা ঙমহল্লি। চুজাক্কী মনানা, নুংশিৎ শিৎপা মতমদা হাই হুম্না লেংবনা তীলশিং তান্থোক্নবগী মরম অমসু ওই।

পোখোক ঃ অসুম্না চুজাক থাবা মতমদা লৌ শঙম অমদা চাউরাক্না, অরন অকুং খেন্নবগী মতুং ইন্না, চুজাক পাম্বী ১৫০০০-২০০০০ ফাওবা থাবা মতমদা মসিদগী অশোই অঙাম খরা খাইদোক্লগা অশংবা চুজাক মপুম ২৫০০০-২৬০০০মুক্তি অদুমক লোকপা য়াই। চাংচৎতা চুজাক অমদা লুপা ৩ খক্তংদা য়োনবদা লুপা ৭৫০০০ দি ফংবা য়াই। তশেংনমক্তি লুপা ৩দগী হেন্না য়োন্নবা ঙাক্তনি। মঙ্গন্দগীসু অদুমক পোখোক মতিক চানা ফংবগা লোয়ননা শেন্দোং য়াম্না ফংবা ঙমগনি। অসুম্না কনাগুম্বা লৌ শঙম অমা লৈবা থৱায় য়াওবা লৌমী ইচিন ইনাওশিংনা থা ৩-৪গী মনুংদা শেন্দোং ওইনা লৌ শঙম অমদগী লুপা লাক্ষ অমা খরা হেন্না তানবা ঙম্বগী ওইথোকপা লৈতবা নত্তে।⏮

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্না মরী লৈনদে।